# লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা চথ্থগদবা থৌরমশিংগী মতাংদা কংগ্রেসকী লুচিংবশিং মীফম পাঙথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ঃ* লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা ঙসি মীখল অদুগীদমক পায়খৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা লৈবাক অসিগী কংগ্রেসনা পানবা রাজ্য ১২গী চিফ মিনিষ্টরগা লোয়ননা কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি নুমিৎচুপ্পা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কংগ্রেসকী চিফ মিনিষ্টর অমসুং সেনিয়ার লীদর মরু ওইনা এ কে এন্টোনি, সুশিলকুমার সিন্ধে, পি চিদম্বরম, অহমদ পাতেল, জয়রাম রামেস, দিগবিজয় সিংহ, জনারথন দুইবেদি, কাপিল সিবাল অমসুং কে বি থোমাসনচিংবা য়াওরি।

দিল্লি অমসুং রাজস্থানগী মীখলদা মায়থীখি। অদুগা কংগ্রেসনা মণিপুর, মিজোরাম, অসাম, কর্ণাটাকা, অন্ধ্র প্রদেশ, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, উত্তরখন্দ, মহারাষ্ট্রা, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মেঘালয়াদদি সরকার পায়রি।

হন্দক পাঙথোকখিবা এসেমব্লি মীখল মায়থীখ্রবা মতুং পার্টি অদুনা মখোয়না সরকার পায়রিবা ষ্টেটশিংদা অদুমক সরকার পায়ননবা থৌদাংশিং খন্ন–নৈনখি। অদুগা বি জে পিনা সরকার পায়বা ষ্টেট খরদসু মায় পাক্লনবা হোৎননবা পোরম য়াৎননবা খন্নখি।



মধ্য প্রদেশতা বি জে পিনা মখোয়গী ফিভম ফনা থম্বা ঙমখি। লোয়ননা ছটিসগরদা সরকার পায়রিবা কংগ্রেসনা হান্নগুম্না মখোয়গী ফিভম মাওইষ্টকী কিহনবা মরক্তা শেমগৎনবা হোৎনরি।

রাজস্থানদা কংগ্রেসনা শক্তি হন্থদুনা বি জে পিনা মশীং য়াম্না কারকখিবদা, অঙকপা ফাওনখি। দিল্লিদা এ পি পিনা অঙকপা মওংদা মায় পাকপা ঙমখি। ষ্টেট অদুদা অমুকহন্না পার্টি অদুনা করম্না সাশন পায়রকপা ঙমগদগে হায়বগী মতাংদসু খন্নখি।

চিফ মিনিষ্টর বিরবদ্রা সিংহ অমসুং বুপিন্দর সিংহুদা হিমাচল প্রদেশ অমসুং হরিয়ানাদা মরু ওইবা মীশক অমা ওইরি। কংগ্রেসকী লানগী কা হায়রগা খঙনবা রাকাবা গঞ্জ রোদতা লৈবা মফম অদুদা লাক্কদৌরিবা মীখলশিংদা ওইরক্কদবা ফিভমশিংগী মতাংদা খন্ন–নৈনখি। লোয়ননা লোক অয়ুক্তা অমসুং লোক পাল পাস তৌবগী মতাংদসু খন্ন–নৈনখি।

মীফম অদুনা পোৎকী মমল ৱাংখৎলকপা অমদি ফূদ সেক্যুরিটিগী মতাংদসু খন্নবগা লোয়ননা পার্টি অদুনা সরকার পায়রিবা হরিয়ানা অমসুং উত্তরখন্দদা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

হন্দক পাঙথোকখিবা দিল্লি, রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ অমসুং ছটিসগরগী ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা মায়থিবা অদু পোৎকী মমল ৱাংখৎলকপা অদুনা মরম ওইরগা মায়থিখিবনি হায়না কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা রাহুল গান্ধিনা ফোঙদোক–খিবদা, করপশনগী চাং ৱাংখৎলকপনা মরম অমসু ওইহল্লি। এফ আই সি সি আইগী দিসেম্বর ২১দা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মহাক্না হায়, লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ঈ চুপ্লিবা মরু ওইবা অমদি করপশন্নি। অদুগা পোৎকী মমল ৱাংখৎলকপা অমসুং ইনফ্লেশনগী চাং হন্থহনবা অসিনা মরু ওইনা লৌগদবনি হায়খি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## থৱানমিচাক

থৱানমিচাকশিং অসি নুমিৎকুম্না ন্যুক্লিয়ার ফিজন থোক্কুনা ঙ্রুং ঙ্রুং চাকপা অচৌবা মৈবুল অমনি। থৱানমিচাকশিং অসি ঐখোয়না কুফেৎ–কাফেৎ তৌনা উই। থৱানমিচাক্কী মঙালনা পৃথিবীগী মরোল মরোল লৈরিবা এটমোস্ফিয়ার ফাওরগা পৃথিবী তম্না লাকপদা মঙালগী শকওং অদু কায়হনবনা মরম ওইরগা ঐখোয়না কুফেৎ কাফেৎ তৌনা উবনি। হোরাইজনদদি হেন্না থাবা এটমোস্ফিয়ারগী কুয়োমশিং ফাওরগা লাকপা মরম্না হোরাইজন্দা থোকপা থৱানমিচাকশিংনা হেন্না কুফেৎ কাফেৎ তৌনা উই। পৃথিবীগী এটমোস্ফিয়ার লাম্থোক্লগা স্পেসকী জগা অমদগী য়েংবা মতমদদি থৱানমিচাকশিং অসি কুফেৎ কাফেৎ তৌদে। থৱানমিচাকশিং অসি নুমিৎকুম্না হাইড্রোজেন অমদি হেলিয়ম গ্যাস চাক্কুনা ন্যুক্লিয়ার ফিজনথোকহন্দুনা অঙকপা ফংবা মৈশা, মঙাল অমদি শাফূ পীথোরকই। পৃথিবীদগী ঐখোয়না উবা মতমদা খ্বাইদগী লংবা থৱানমিচাক অসি সাইরিয়স (sirius) কৌই, মসিবু দোগ ষ্টার হায়নসু খঙনৈ। সাইরিয়স হায়বা থৱানমিচাকসিগী দাইমেটরসি কিমি ১৪৯,৫৯৮,০২০নি। মসি নুমিৎতগী শরুক কুনমরি হেন্না লংই। সোলর সিষ্টেমসিনা লৈরিবা গেলেক্সি অসিদা খ্বাইদগী লংবা থৱানমিচাক অসি Cygnus OB 2 no 12 হায়না খঙনবা থৱানমিচাক অসি পৃথিবীদগী উবা ফংদে অমদি নুমিৎনা লংলিবা অসিগী শরুক মিলিয়ন ৬ হেন্না লংই।

## ইন্দিয়ান জর্নেলিষ্ট ১ ফোটো কাপ্লুবগী ফাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ঃ* ইন্দিয়াগী জর্নেলিষ্ট অমনা শ্রিলঙ্কাগী মরু ওইবা মফম খরদা ফোটো কাপ্লুবগীদমক ফাখ্রে। প্রভাকারন কৌবা জর্নেলিষ্ট অদু হৌজিক কলম্বোদা ৱাহং পাউহং তৌবগী থবক চথ্থরি। ইন্দিয়ান হায় কমিশন্না কেস অদুগী মতাংদা করি লৈবগে হায়বগী য়েংশিল্লি।

জুনিয়র ভিকান্ত কৌবা মেগজিন অমদা মরক্কী ওইনা পাউ পীবা প্রভাকরানন্না ফোঙদোকখিবদা, মহাক জর্নেল অদুগী ইমপ্লোয়ী অমদি নত্তে অদুবু মরক্কী ওইনা পাউ পীবা মীওইনি। মহাক্না শ্রিলঙ্কাদা চৎননবগী মতাংদা জর্নেল অদুগী ওথোরিটিদা খঙহল্লমখি।

শ্রিলঙ্কান ওথোরিটিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা হায়রিবা মীওই অদুনা এল টি টি ঈগী মকোক প্রভাকারনগী মতাংদা আর্টিকল কয়া ইখি। অদুগা মহাক্না ঙসি লৈবাক অদুগী পুনেরিনদা আর্মি পেট্রোল চৎলিঙৈদা ফোটো কাপ্লুবগীদমক মহাকপু কিলিনোচিদগী ফাগৎখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# দিল্লিদা সি এন জি মমল হেনগৎহনবগী মতাংদা কেজ্রিৱালনা তকখৎলকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ঃ* নৌনা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইরগদবগী চপ চাবা থৌরাং লৌখৎতুনা লৈরবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ঙসি সেন্টরনা দিল্লিদা অনৌবা সরকার অমা শোয়দনা নুমিৎ নিনিগী মনুংদা ৱাশক লৌরগনি হায়বা খঙলবা ফাওবদা সি এন জিগী মমল হেনগৎনবা খোঙথাং অমা লৌখৎলক্লিবা অসি করিগীনো হায়না হংলদুনা নেসনেল কেপিটেল অসিদা হৌজিক লৈরিবা ওটোরিক্সোগী ভারা ফাওবা রিভাইস তৌফম থোক্নে হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

মখা তানা মহাক্না গভর্ণমেন্টকী ওইনা লৌখৎখিবা থৌরাংশিংদা থোকখিবা নোটিশিংগী ফাইলশিং অদু য়াম্না কূপ্না য়েংখিগনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা সেন্টরদা হায়রিবা মমল অসি হেনগৎহনবগী মরম অদু হংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা দিল্লিদা ৱাশক লৌরগনি হায়বা খঙলবা ফাওবদা করিগীদমক সি এন জিগী মমল অসি খূদক্তা হেনগৎ–হনগদৌরিবনো। হৌজিক ওইরক্লিবা সেন্টরগী খোঙথাং অসিদা মখোয়না পাম্লিবদু করিনো হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা চিংনবা কয়া ফাওরে। মরম অসিদগী হয়েং থাংজ নুমিত্তা মহাক্না দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক হেক লৌবগা মরী লৈনবা ফাইলশিং অদু য়েংশিনগনি অমসুং মমল হেনগৎলক্লিবা অদু অমুক হন্থহনবা



য়াব্রা হায়বা য়েংগনি হায়না কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি।

কম্প্রেস্দ নেচরেল গ্যাস নৎত্রগা সি এন হায়না খঙনরিবা অসিগী মমল অসি নেসনেল কেপিটেলদা কেজি অমদা লুপা ৪.৫০গী চাংদা হেনগৎলগনি হায়না শগোলশেন নুমিৎতা ওর্দর অমা থোকখিবনি। হায়রিবা অসি হৌখিবা থা অহুম অসিদা অনীরকশুবা ওইনা গ্যাস অসিগী মমল হেনগৎপনি।

হন্দক মমল হেনগৎলকপা অসিদগী দিল্লিদা সি এন জিগী মমল অসি কেজিদা লুপা ৫০.১০ ওইরগনি অমসুং নোইদাদনা লুপা ৫৬.৭০ ওইগনি। হায়রিবা গ্যাস অসিগী মমল হেনগৎলকপা অসিনা শগোলশেন নুমিৎকী নোংয়াইদগী ওইখিবনা গ্যাস অসি শীজিন্নদুনা চল্লাইরিবা সর্ভিস পূম্নমক্তা মমল হেনগৎহনবা তঙায় ফরক্তবা লৈরে।

গ্যাস অসিগী মমল হেনগৎলকপা অসিনা ওটোরিক্সো ড্রাইভরশিংদা হেন্না ফিভম শোকহল্লে অমসুং মখোয় ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং অমা চঙশিল্লক্লবা প্লান ফাওবা তৌখ্রে হায়না ফোঙদোক্লদুনা কেজ্রিৱালদা হংখিবা ৱাহং অমদা ওটোরিক্সো ড্রাইভরশিং অসি হন্দক্কী ইলেক্সন্দা অমসুং মদুগী মমাঙদগী হৌনা মহাক্কী আম অদমি পার্টিগা লোয়নদুনা লাকখিবনি।

মরম অসিদগী হয়েং চার্জ হেক লৌবগা মহাক্না হায়রিবা ওটোরিক্সো ড্রাইভরশিংগী বোদিশিং অদুগা ৱা তানদুনা মদুগী সোল্যুশন অমা পুরক্লবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা তঙায়ফদ্রগদি দিল্লিদা ওটোরিক্সোগী ভারা অসি হেনগৎলবা ফাওবা য়াই হায়না মহাক্না হায়খি।

ন্যুজ চেন্নেল অমনা মরকসিদা তৌখিবা ষ্টিং ওপরেশন অমগী মতাংদা কমেন্ট পীরদুনা হায়রিবা ফাইলশিং অদু শেগায়খ্রে হায়বা রিপোর্ট পীবা মতমদা আম অদমি পার্টিগী লীদর অদুনা ফাইলশিং অদু চপ চানা পায়গদবদি চিফ সেক্রেটরিনি হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

# এসিদ হৈজিন্দুনা এটেক তৌরকখিবা ভিক্টিম লৈখিদ্রে

*মুম্বাই, দিসেম্বর ২৭ঃ* চহী ২২ শুরবী লুহোংগদৌরিবী কন্যা অমা এসিদ হৈজিল্লক্কুনা শাথীবা মওংদা শোক্কুনা মুম্বাই হোস্পিটাল অমদা লায়েং–লকখিবী অদু লৈখিদ্রে।

হরপিদ কোর কৌবী নুপী অদু লুধিয়ানাগী দি এম সি হোস্পিটা–লদগী মুম্বাইগী হোস্পিটাল অমদা লায়েংনবা চৎলিবা থা অসিগী ১২দা রিফর তৌরকখিবনি। মহাক্কী হকচাং অদু মহাক্কী পোক্লফম বরনালাদা পুখ্রে হায়না লুধিয়ানাগী পুলিস কমিশ্নর নিরমল সিংহ ধিলোননা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুনা দিসেম্বর ৭তা লুহোংগদবা মহাক্কী থৌরম অমগীদমক শ্রাদ্ধ নগরদা লৈবা ব্যুটি সেলুন অমদা মেকঅপ তৌনবগীদমক লাকখি। মদুদা মীওই অদুনা এসিদ হৈজিন্দুনা এটেক চথ্থখি। থেদোক অদুদা অনকপা মফমদা লৈরম্বা নুপী ৩সু অশোক–অপন নংখিবনি।

# জলপাইগুরি ব্লাষ্টতা মীওই ৭ শিরে, হাই এলার্ট লাউথোকখ্রে

*জলপাইগুরি, দিসেম্বর ২৭ঃ* জলপাইগুরিগী সেন্ট পাওল স্কুল মনাক্তা থৌদুনা লাকপা সাইকল অমদগী বোম পোকখায়রকপদা মীওই তরেৎ শিরে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন্না মফম অদুদা হাই এলার্ট লাউথোকখ্রে।

অৱাং থংবা বেঙ্গলগী বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক অদু টেরোরিষ্টশিংগী এটেকলা নৎত্রগা এক্সপ্লোসিভ অদু পুরকপদা শোয়বদগী পোকখায়খিবরা হায়বদু থিজিন্নবা হোৎনরি। পোকখায়নবগী মচাকশিং অদু সাইকল অমদা পুরকখিবনি। সাইকল অদুনা সচিকান্ত পুজারিদা লৈবা অপীকপা তুরেল অমগী মথক্তা শাবা কলভর্ট অমগী মপা য়ৌরকপদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না নোর্থ বেঙ্গলগী আই জিনা ফোঙদোরক্লি।

বজারাপারাদা থোকখিবা থৌদোক



অদু শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং পূং ৭ তারকপদনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন–হুমজিনবগী থবক চথ্থবা হৌখ্রে। থৌদোক অদু টেরোরিষ্টশিংগী এটেক অমরা নৎত্রগা পোকখায়নবা মচাকশিং অদু পুরকপদা শোয়বদগী পোকখায়খিব্রা হায়বদু থিজিল্লি হায়না নোর্থ বেঙ্গলগী সচিকান্ত পূজারিনা ফোঙদোরক্লি।

এস পি অমিত জবালগিনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা, কামতাপুর লিবরেশন ওর্গনাইজেশন (কে এল ও)গী মার্টিয়র্স ডে ঙরাং ওইখি। অদুগা হয়েং দিসেম্বর ২৮ অসিনা মখোয়গী ফাওন্দেশন ডে ওইরি। মদুগা মরী লৈননা থৌওংশিং অদু চথ্থখিবরা হায়বদু য়েংশিল্লি।

মীওই অমনা সাইকল থৌদুনা লাকপদা হায়রিবা কলভর্ট অদুদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখি। থৌদোক অদুদা সাইকল থৌরকপা মীওই অদু য়াওরমগনি। অদুগা সাইকল অদু কলভর্ট অদুগী ময়ায়দা অতেক–অকায় ওইনা তাদুনা লৈরি।

থৌদোক অদুদা জলপাইগুরি সাদার হোস্পিটালগী দোক্টর সুসান্তা রাই শোক্কুনা লায়কন্নরি। অদুদা শোকখিবা অতোপ্পা মীওই খরগী ফিভম লুরি হায়রি।

নোর্থ বেঙ্গল দিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর গৌতম দেবনা ফোঙদোক–খিবদা, অদুগুম্বা থৌদোক অদু সরকার অদুনা খাংবা ঙমদে। অথুবা মতমদা ফাগৎনবা থবক পায়খৎকনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। লৈখিদ্রবশিং অদুদি লালমোহন দেবনাঠ, অঞ্জন রোই, পাপু রহমন, রসিদুর ইস্লাম অমসুং অর্নেস হুসেননি হায়রি।

# মুজাফরনগর কেম্পতা ঈংবদগী অঙাং শিখ্রে



*মুজাফরনগর, দিসেম্বর ২৭ঃ* উত্তর প্রদেশতা ঈংবনা মরম ওইরগা মীশি–মীনা থোকহল্লোই হায়না ফোঙ–দোকখিবগী ওন্ন–তৈনবদা লমদম অদুদা ঈংবনা মরম ওইরগা মীওই ৩৪ শিখ্রে।

শিখিবশিংগী মনুংদা মুজাফরনগরগী ঈৱাংনা মরম ওইরগা রিলীফ কেম্পতা লৈরিবা অঙাং কয়ামরুম য়াওখি।

প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হোম অনিলকুমার গুপ্তনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অদুদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অৱাংবা থাক্কী কমিটি অমনা ঈংবনা মরম ওইরগা মী শিহল্লোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

কেম্প অদুদা নিমোনিয়ানা মরম ওইরগা অঙাং কয়া শিহনখি। মদু ঈংবনা নত্তে, ঈংবনা মরম ওইরগা কনাগুম্বা অমত্তা শিবা হায়বদু ওইথোক্তে। ঈংবনা শিরে হায়রবদি কনাগুম্বা অমত্তা হিংবা ঙম্লরোই হায়না গুপ্তনা ফোঙদোরক্লি।

চিফ মিনিষ্টর অখিলেস য়াদবনা অদুগুম্বা ফিভম অদুদা মীয়ামশিং অদু চেকশিন্নবা থবক পায়খৎকদবনি। ফোঙদোকপা ঙমজদবা মীয়ামশিংনা অৱাবা অদু উবগা লোয়ননা কনাগুম্বা মীওই অমতবু শোকহল্লোইদবনি হায়না অখিলেসনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্কী ৱাফম অদুবু য়ানীংদবা কয়া ফোঙদোক্লরক্লি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চিফ মিনিষ্টর ওমার অব্দুলাহনা ট্যুটরদা ফোঙদোকখিবদা, কনা অমত্তনা অঙৈংবদা ফিরোল য়াওদনা লৈবা ঙম্লোই অদুগা অঙৈংবনা কনা অমত্তবু শিহনবা ঙম্লোই। ফিরোল য়াওদনা মীওই অমা চৎহনসি। মহাক্না করি ওইবগে হায়বদু য়েংসি হায়না অব্দুল্লাহনা ফোঙদোক্লি।

অচৌ–অশাংশিংগী ৱাফম অদুদা বি জে পিনা হায়খিবদা, এদমিনি–ষ্ট্রেশন্না য়ৌশিনবা ঙমদবা ৱাফম কয়ামুক লৈরি। মদুদা করি থোক্লকপগে হায়বদু য়েংশি হায়না পার্টি অদুগী লুচিংবা রবি সঙ্কর প্রসাদনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

বি জে পিগী স্পোক্সপর্সন প্রভাদ জবাধকরনা হায়খিবদা, কনাগুম্বশিংনা হায়খিবা অশোয়বা অমসুং মদু চুমথোক্লবা হোৎনবদা মতম মাঙহন্দুনা লৈরে। উত্তর প্রদেশতা অমনা অমবু মরাল শীনরি।

জবাধকরগী লোয়নবা রজিব প্রতাপ রুদিনা হায়খিবদা, ফোঙদোকখিবা ৱাফম্মশিং অদুনা অখিলেস সরকারগী মায়ওন তাক্লি। লমদম অদুদা থোক্লিবা ফিভম খূদীংমক্কী দায়ত্ব সরকার অদুনা লৌগনি হায়খি।

সমাজৱাদি পার্টিগী কমল ফরুকিনা গুপ্তদা ৱাহং ওইনা হংলদুনা হায়, কেম্প অদুদা মহাক্কী ইমুং মনুংগা লোয়ননা অহিং অমত্তং লৈয়ু। মদুদা দরকার লৈবশিং অদু খঙলক্কনি হায়খি।

# গুজরাটকী হিংশানা মোদিগী থম্মোয় শোকহনখি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ঃ* ইং ২০০২ দা থোকখিবা গুজরাটকী কাঙলুপকী হিংশানা মহাক্কী থম্মোয় শোকহনখি হায়না গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহমদবাদ কোর্ট অমনা মহাক্কী মায়োক্তা পুখৎলকখিবা কেস অমা ককথৎলবা মতুংদা ফোংদোকখ্রে। মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, মদু মহাক্কী পর্সনেল ওইবা মাই পাকপা নৎত্রগা মায়থীবা নত্তে। অচুম্বনা জয় ওই হায়বদু উৎপনি। থোকখিবা থৌদোক অদুনা মহাক্কী থম্মোয়দা পেন্দবা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা কয়া পোকহনখি হায়খি।

# স্পেনিস নুপী অমা ইজ্জৎ মাঙহনবগীদমক মীওই অমা মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীখ্রে

*মুম্বাই, দিসেম্বর ২৭ঃ* স্পেনদগী লাকপী নুপী অমা ইজ্জৎ মাঙহনবগী মরালদা ইরাই নুমিত্তা মীওই অমা মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা ফাদোক পীখ্রে।

চহী ২৮ শুরবা মীওই অদুনা স্পেনিস নুপী অদুবু ছুরি অমা উত্তুনা মমাঙ চহীদা সুবুর বন্দ্রাদা ইজ্জৎ মাঙহনখিবনি হায়রি।

কোর্ট অদুনা মীওই অদুবু লমদম অদুগী ওইবা চৎনবী অমদি নিয়মগী মতুং ইন্না কদায় ফাওবা চুন্নিবগে হায়বদু য়েংদুনা লাকখি। প্রিন্সিপাল জজ সালিনি ফন্সালকর জোসিনা মোহম্মদ বাদশাহ অন্সারিবু মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা ফাদোক ওইরে হায়না লাউথোকখি। মহাক ইজ্জৎ মাঙহনবা অমসুং আইন্না য়াদবা মওংদা থবক চথ্থবগীদমক প্রমাণ মতীক চানা ফংখি হায়রি।

মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদা অন্সারিনা চহী ২৮ শুরবী নুপী অদুগী লৈফমদা ছুরি অমা উত্তুনা ইজ্জৎ মাঙহনখিবগী থবক অদু চথ্থখিবনি। বন্দ্রাগী পেরি ক্রোস রোদতা লৈবা য়ূম অদুগী অহুমশুবা মথোলদা লৈবা নুপী অদুবু মহাক্না ছুরি অমা উত্তুনা ইজ্জৎ মাঙহনখি।

দন্দি অদু পীদ্রিঙৈ মাঙওইননা বাদশাহনা কোর্ট অদুদা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্ক শোল্লবী মমা, লোয়নবী অমসুং মচা অনীগী য়েংবীদুনা দন্দি অদু হন্থহন্নবা হায়জখি।

অদুমওইনমক, স্পিপসিয়েল পব্লিক প্রোজিক্যুটর উজাৱাল নিকমনা ৱাফম অদুদা য়েংলদুনা মহাকপু মতীক চাবা দন্দি পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।



দন্দি ফংলবা মীওই অদুনা চথ্থখিবা ক্রাইম অদুগা মহাক্না তৌরিবা থবক অদুগা য়েংনবদা চহীগী ইনা কোমথোক্লিংঙাই লৈতে। নিপকামনা মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা, বাদশাহ হায়রিবা মীওই অদু মমাঙদা ক্রাইম কয়াদা চেন্নবা মীওইনি। অদুগা হুরান চিঙ্থিগী থবক কয়াদসু চেন্নখ্রবা মীওইনি হায়রি।

থৌদোক অদু মহাক্না তৌগে হায়না তৌবনি। নুমিৎ অদুদা মীওই অদুনা স্পেনিস নুপী অমবু সেক্সুয়েল এসোল্ট চথ্থখিবা থৌওং অদু হাৎকে হায়বা অমা য়াওনা চথ্থখিবনি। পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা কোর্ট অদুদা ফোঙ–দোকখিবদা, কোর্ট অদুনা নুপী অদু হাৎকে হায়না হোৎনবগী মমি তারি। মহাক আইনদগী নাম্থোক্লিংঙাই লম্বী লৈতে।

মশাবু ঙাকথোকচনবা উপাই লৈত্রবা নুপীমচা অদুনা অদুগুম্বা লৈহনবদু পামখিদে। মদুগী তুংদা নুপীমচা অদুনা ইন্দিয়া থাদোক্কুনা চৎখি। মদু জাতি অসিগী ওইবা ইজ্জৎকী ৱাফম্নি হায়না নিকমনা ৱায়েৎপা পীখি।


## PAPER INVITED

Seminar paper are invited from Concerned Individuals, Teachers, Professional, Research scholars, Learners and Students for a National Seminar on the topic reading habit or on any issues associated with reading habit.

Last Date of Paper Submission is on or before 10th January 2014 through the contact given below :-

1. Sophia Saubam@yahoo.com
2. Ldhanu123@gmail.com
3. 09856116907,09856540172,09856684074,09436230743.

Sd/-

**S.Sophia Rani**

Gen.Secy(MALA)

Bill nol/ 07/27,28&29/13


# তাজ মহল য়েংনবা চংবদা আইদেন্টিটি পুথোকপা তঙায়ফদে

*আগ্রা, দিসেম্বর ২৭ঃ* মীয়াম্না তাজ মহলগী কমপ্লেক্সতা ইরাই নুমিত্তা লাই খুরুম্বা চংবদা মখোয়গী আইদেন্টিটি দোক্যুমেন্ট পুথোকপা তঙায়ফদে হায়না আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা খঙহল্লক্লি।

ৱাফম অদু ইন্দিয়াগী মীওই নত্তবা কয়ানা মফম অদুদা চংবদা কমপ্লেন্ট লাকখিবননি হায়রি। চংবা য়াদবগী ৱাফম অদু এ এস আই আগ্রা য়ুনিটকী সুপরিন্টেন্দেন্ট আর্কিওলোজিষ্ট এন কে পঠকনা শগোলশেন নুমিৎতা হুকুম অদু থোকখিবনি। তাজ মহলদা চংবদা মুসলিম নত্তনা অতোপ্পা জাতিনা চংদুনা লাই খুরুম্বগী থবক্তা অথিংবা থল্লে হায়নসু খঙহল্লক্লি।

# সি আর পি এফনা নেক্সলশিংগী মথক্তা ওপরেশন চথ্থবদা লান্মী ৪০,০০০ শীজিন্নগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ঃ* সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)না নেক্সলশিংনা এক্টিভ ওইরিবা ছটিসগর, জর্খন্দ, মহারাষ্ট্রা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওডিসা, বিহার, মধ্য প্রদেশতা ওপরেশন চথ্থনবা শেম–শাখ্রে।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না সি আর পি এফকী পর্সনেল ৪০,০০০ মাওইষ্টশিংগী মথক্তা চথ্থগদবা ওপরেশন অদুদা শরুক য়াগনি হায়রি। ওপরেশন অদু মথংগী পূং ৪গী মনুংদা চথ্থরবা য়াই।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না হায়রিবা ষ্টেট ৮ অদুদা সি আর পি এফনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। ওল



ইন্দিয়া রেদিওনা পনখিবা পাউদা সি আর পি এফকী দিরেক্টর জেনরেল দিলিপ ত্রিবেদিনা হায়খিবদা, চথ্থগদৌরিবা ওপরেশন অদু নেক্সলশিংদগী ঙাকথোক্লবগী–দমক্তনি অদুগা অতোপ্পা লোন্নবা রাজ্যশিংদা চেন্থোকখিদনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

ওপরেশন অদু লোইশিনখ্রবা মতুংদদি মদুগী মখা তাবা ফল শোয়দনা উরগনি।

অদুগুম্বা আউটফিটশিংগী মথক্তা ওপরেশন চথ্থবা হায়বসি তঙায়ফদবা অমনি। চথ্থগদবা ওপরেশন অদুদা ইন্দো–টিবেটান বোর্দর ফোর্স, বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং এস এস বিগী পর্সনেলশিং শরুক য়াগনি। অদুগা বি এস এফ অমসুং ইন্দিয়ন ফোর্সকী হেলিকোপ্টরশিংনা ওপরেশন অদু মতেং পাংননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়রি।